**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 14-01-2025)**

**সিএম(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি-রাজ্য অসিদা আইন অমসুং শান্তি রক্সাগী ফিভম ফগৎহন্নবা হোৎনবদা আর্মর্দ ফোর্সেস ভেটেরানশিংগী মতেং য়ামমক তঙাইফদে।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-লমদম অসিদা শান্তি অমসুং মহৌশাগী ফিভমদা হনজিলহন্নবা হোৎনবদা আর্মর্দ ফোর্সেস ভেটেরানশিংনা মখোয়গী মোত অমসুং পাউতাক সরকারনা তরামা ওক্কনি।

ইম্ফালদা লৈবা অহানবা মনিপুর রাইফলসকী বঙ্কেট হোলদা ৯ শুবা আর্মর্দ ফোর্সেস ভেটেরান নুমিৎ-২০২৫ থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক অসিগীদমক আর্মর্দ ফোর্সেসশিংনা কৎথোকপগা লোয়ননা থবক তৌখিবা অদুবু নীংশিংদুনা নুমিৎ অসি পাঙথোকপনি। মথৌ তৌরিঙৈদা লৈখিদবা লান্মীশিংদা ক্ষেতিপুরোন ওইনা লুপা লাখ ১০ পীগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা লাউথোকখি।

মহাকা হায়-লৈবাক অসিগীদমক মথৱায় কৎখ্রবা লমদম অসিদগী হৌখিবা লান্মীশিংগীদমক নীংশিং খুভম অমা শানবা সরকার অসিনা লুপা কোতি অহুম কায়থোক্লে। মসিগীদমক লমফেলপাৎতা লম খাক্তুনা থমলে।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-ভারত লান্মীদা লেফটনেন্ট জেনরেলগী রেঙ্কতা মনিপুরদগী আর্মি ওফিসার অনি পুথোকখ্রে। হৌজিক হৌজিক দিফেন্স ফোর্সতা রাজ্য অসিগী মীওই ৩৫০ রোম ওফিসার ওইনা থবক তৌরি।

**--সাউন্দ বাইট--(সি.এম-ভেটেরান)**

থৌরমদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা গেলেন্টরি এৱার্ড ফংলবা ভেটেরান অমসুং বির নারিশিংনা লৈবাক অসিগীদমক শিংথানিংঙাই ওইবা থবক তৌবগীদমক ইকায়

খুমবা উৎখি।

**বিজেপি (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি-মনিপুরগী হৌজিক লুরবা তানফম অসিদা মীপুম খুদিংমকা অমত্তা ওইনা লেপমীন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসনা শিনদুনা ইম্ফালগী নিত্যাপাৎ চুথেক্তা লৈবা থম্বাল শঙলেনদা পাঙথোকপা সংবিধান গৌরফ অভিয়ান-ৰান কন্সটিটুট্যট অৱার প্রাইদ হায়বা হীরমসিদা থা অসিগী ১১ দগী ২৫ ফাওবা চখ্লগদবা থৌরমদা ঙসি শরুক য়ারদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-করিগুম্বা লমদম অসিদা লৈরিবা মীওইশিংনা শোন্থরকপা নৎত্রগা লিংজেল মান্নরক্তবা মতমদা রাজ্য অসি মচেৎ তানা কায়খিগনি। মরম অদুনা মীপুম খুদিংমক থৌনা ফবা অমত্তা ওইনা লেপমীন্নবা তঙাইফদে। মহাকা হায়-মনিপুরবু হেন্না চাউখৎহনগে হায়রবদি অমনা অমবু চিংথনবগী থবক লেপ্তুনা অফবা থবক তৌরকপদা থাগৎপগী হৈনবী লৈগদবনি।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-ভারত সংবিধাননা মীপুম খুদিংমকপু ঙাকলৌ পীদুনা লৈরি। মরম অদুনা মীপুম খুদিংমকা ভারত সংবিধান খণ্ডবগী তঙাইফদবা লৈ।

**জিরি(এল)**ঃ ৯ শুবা আমর্দ ফোর্সেস ভেটরান ডে জিরিবামগী দি.সি. ওফিসতা লৈবা কনফরেন্স হোলদসু পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-কৃষ্ণকুমরনা জিলা অসিগী এক্স সাভির্সমেনশিংবু ইকায় খুমবা উৎখি।

**কাংপোকপী(এল)**ঃ আমর্দ ফোর্সেস ভেটরান ডে, কাংপোকপী জিলাদসু পাঙথোকখি। আইলেন্দ কোপতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মেদিকেল চ্যেকঅপ কেম্প অমসু পাঙথোকখি।

**গভনর(এল)ঃ** জি.ও.সি. ইষ্টর্ন কম্মান্দা-লেফটনেন্ট জেনেরল-রাম চন্দর তিৱারি অমসুং জি.ও.সি. স্পিয়ার কোর লেফটনেন্ট জেনরেল-অভিজিৎ এস. পেন্ধরকর, জি.ও. সি. ফিফতি সভনে মাউন্টেন্ট দিভিজন মেজর জেনরেল-এস.এস. করতিকিয়া অমসুং আই.জি.এ.আর (সাউথ) মেজর জেনরেল-রপরুপ সিংহনা ঙসি অয়ুক রাজ্য ভবনদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লাগা উন্নখ্রে।

জি.ও.সি. ইন চীফ ইষ্টর্ন কম্মান্দনা রাজ্যপালদা মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ঙাকশেলগী মতাংদা পাউদমখি অমসুং অৱাং নোংপোক লমদমগী হৌজিক ওইরিবা ঙাকশেলগী ফিভমগী মতাংদসু পাউদমখি।

**হোম(এল)ঃ** থবক্তগী পোত্থারবা আই.পি.এস. ওফিসার-কে. জয়েন্তা সিংহবু থা তরুক্কী ওইনা স্পিসিএল ইন্সপেক্তর জেনরেল ওফ পুলিস ওইনা খল্লে ।

মনিপুর সরকারগী কম্মিস্নার হোমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-স্পিসিএল আই.জি.পি. ওইনা খল্লবা শ্রী জয়েন্তগী থবক থৌরমশিং সরকারনা মতম মতমগী মতুং ইন্না লেপকনি।

**দাইভর(এল)ঃ** মনিপুরদা ঙসি দ্রাইভরস ডেগী থৌরম পাক শন্না পাঙথোকখি।

৩৬ শুবা মণিপুর দ্রাইভর্স ডেগী থৌরম ঙসি ইম্ফালগী মেজোরখুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা মণিপুর দ্রাইভর এসোসিএসন, হায়ৱে ত্রক ওনর্স ওর্গনাইজেসন, সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ত্রক দ্রাইভর্স য়ুনিয়ন, সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ত্রক ওনর এসোসিএসন অমসুং ওল মণিপুর গোরখা ত্রক দ্রাইভর এন্দ ওনর্স এসোসিএসননা শিন্দুনা পাঙথোকখি।

নুমিৎ অসি ওল মনিপুর রোদ ত্রান্সপোর্ট দ্রাইভর্স এন্দ মোতোর ৱাকর্স য়ুনিয়ননা শিন্দুনা ইম্ফালগী এম.জি.এভিন্যুদা লৈবা য়ুনিয়ন অসিগী ওফিস্তসু পাঙথোকখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা য়ুনিয়ন অসিগী সেক্রেটরি-মাইমোম অনিল মাতৈনা হায়-৩৬ শুবা মনিপুর দ্রাইভর ডেগী থৌরম অসি লৈখিদ্রবা দ্রাইভর ৩১৪ দা ইকায় খুমবা উৎতুনা পাঙথোকপনি। হায়রিবা লৈখিদ্রবা দ্রাইভরশিং অসিগী মশিং তঙ্খায় অমরোমদি রেন্সমগা মরী লৈননা হাৎখিবা ঙাক্তনি। মহাকা হায়-দ্রাইভরশিংনা লমদম অসিগী মীয়ামগীদমক লৌরিবা থৌদাংশিং অসি য়েংবীরগা মখোয়দা তেক্ত কায়দনবা হোৎনবদা মীয়ামনা অচৌবা থৌদাং লৌবিয়ু।

থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা জিলাশিংগী দ্রাইভর্স এসোসিএসনগী লুচিংবশিংনা শরুক য়াখি। লৈখিদ্রবা দ্রাইভরশিংগী ফোটোদা লৈ কত্তুনা ইকাই খুমবা উৎপনা নুমিৎ অসিগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি।

ওল হৈরোক ওটো ওন্নরস দ্রাইভরস জোইন্ট এক্সন কমিতিনা শিনদুনা তরুকশুবা দ্রাইভরশিংগী নুমিৎ হৈরোক পার্ট টু ময়াই লৈকাই কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখি।

**কংগ্রেস (এল)ঃ** ইন্দিয়ান য়ুথ কংগ্রেস (আই.ৱাই.সি) না শিনদুনা মঙাশুবা এদিসন ওইনা জানুৱারী ১৬ অমদি ১৭ তা ত্রিপুরাগী কোনুং অগরতালাদা পাঙথোক্কদৌরিবা নোর্থ ইষ্ট য়ুথ কনভেন্সনদা মনিপুর প্রদেস য়ুথ কংগ্রেস কমিতিগী মীহুৎশিং শরুক য়াগনি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ঙসি ইম্ফালগী কংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা কনভেন্সন অসিগা মরী লৈননা পুথোকপা য়ঙ ইন্দিয়া কে-বোল (য়োর বোইস, ইন্দিয়াস ফ্যুচর) সিজন ফাইটসু হৌদোকখি।

কনভেন্সন অসিদা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংগী নহাশিংগী ৱাখল্লোন কয়া পুথোকদুনা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিং অসি চাউখৎ লমজেলদা মাংজিল থাবা ওইহন্নবা অমদি তোপ তোপ্পা মফম অমা ওইবা ঙমনবা হোৎনগনি হায়রি।

**উখ্রুল(এল)ঃ** উখ্রুল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-কেঙু জরিংলানা ঙসি উখ্রুল মিণি সেক্রেটরিয়েটতা নেসনেল রোড সেফতি মন্থ হৌদোকখ্রে।

থৌরম অসি হৌদোকখিবগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট ট্রান্সপোর্ট ওফিস-উখ্রুল অমসুং জিলা অসিগী পুলিসনা লন্বীদা অশোয় অঙাম থোক্তনবা কেম্পেইন চত্থবা হৌখ্রে। নেসনেল রোড সেফতি মন্থ, থা অসিগী অমদগী হৌরগা থা অসিগী ৩১ ফাওবা চত্থগনি।

**এম.দি.এ (এল)ঃ** মনিপুর দেমোক্রেটিক এল্লাইয়েন্স (এম.দি.এ) গী মীহুৎ কাংবু অমনা ঙরাং রাজ্যপাল-আজয় কুমার ভাল্লা উন্নদুনা মেমোরেন্দম অমা খুৎশিন্নখ্রে।

ইম্ফালগী বাবুপারাদা লৈবা শিব সেনা উধপ থাক্রে ভবনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা এম.দি.এগী কনভেন্নর-এম. তোম্বীনা হায়-রাজ্যপালগা উন্নবা অদুদা মনিপুরগী মরুওইবা নেসনেল হায়ৱে অনি নেসনেল হায়ৱে ৩৭ অমসুং নেসনেল হায়ৱে ১০২ দা মনিপুরি মীতৈ-মৈতৈশিং অশোয় অঙাম থোক্তনা চৎহনবা, ভারত ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংগী মনিপুরগী কিলোমিটর ৩৯৮ শাংবা অসি অথুবা মতমদা শন্বাল খাবা লোয়শিনবা, মনিপুরদা অথুবা মতমদা এন.আর.সি. চৎনহনবা, লাঞ্জেন্নরিবা মীওই লিশিং ৬৫ রোম অসি মতিক চাবা মফমশিংদা খুন্দা লৈতাহনবা অমসুং মনিপুর পুন্সিদগী অফস্পা লৌথোকবা তকশিনখি।

শ্রী তোম্বীনা হায়-মনিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিনা নোংমদা শুরগা চাবা মীওইশিংদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োকহনবতা নত্তনা মীওই কয়া ৱাখল লায়না নাবা য়াওনরে। মহাকা হায়-মনিপুরগী ইরাং অথুবা মতমদা লোয়শিন্নবা রাজনিতি দল পুমমকা অমত্তা ওইনা পুন্না থবক তৌমীন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

**বিএসএফ(এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্স মনুংদা লৈবা ৬৩ শুবা বি.এস.এফ. বটালিয়নদা মথৌ তৌরিবা পার্সোনেল অহুম লৈখিদ্রে হায়রি।

ঐখোয়গী থৌবাল পাউমীনা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়-থৌদোক অদু ঙরাং অমসুং ঙসি অয়ুক অঙনবদা পার্সোনেলশিং অদু শ্বর হোনবা ঙমদনা ঙল্লক্তবা, ৱাস্থরকপদগী তোঙান তোঙানবা হোস্পিতালশিংদা লায়েংলবা মতুং লৈখিদবনি হায়রি। থৌদোক অসিগী মতাংদা বটালিয়ন অসিনা থৌবাল পুলিসতা রিপোর্ট অমা তৌরকপদগী কেস অমা রেজিস্তার তৌরে হায়রি।

**কেম্প(এল)ঃ** ন্যু দিবলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন শিংজমৈনা শিজ আই কিয়ার ফাউন্দেসনগা খুৎশমরগা লেমা মিৎ লায়েংবা অমসুং কেটরেক সরজরিগী কেম্প অমা ইম্ফাল ৱেষ্টকী শিংজমৈ ওইনাম থিংঙেলদা পাঙথোকখ্রে।

প্রদেস কংগ্রেস কমিতিগী মেম্বর ওইনাম রোমেনগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবা কেম্প অদুদা মীওই ১১০ রোম লায়েংখি। কেটরেক সরজরিগী দরকার ওইবশিং লেমা ওপরেসন তৌনবা শিজ হোস্পিতালদা রিফর তৌখ্রে হায়রি।

**অমুকো(এল)ঃ** ওল মনিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো) লিংখৎখিবগী ৩২ শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা য়াইমা আই হোস্পিতাল-খাগেমপল্লি অমসুং তোঙান তোঙানবা ক্লবশিং, মৈরা পায়বীশিংগা খুৎশমরগা লেমা মিৎ লায়েংবগী কেম্প অমসুং অনোক য়েন্থোকপগী থৌরম মখা তানা চথরি।

ইনরজেটিব য়ুথ দিবলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন, শামুরৌ কৈথেল মৈরা লুপনা শিনদুনা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ৱাঙ্গোই বিধান সভাগী কেন্দ্রগী মনুং চনবা শামুরৌ কৈথেলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুদা মীওই ৩৫০ রোম লায়েংখি অমদি লেমা অনোক য়েন্থোকখি।

**চান্দেল(এল)ঃ** মোয়োন ফুরুপকী এপেক্স বোদি ওইরিবা মোয়োন নাগা য়ুনিয়ন (বি.এ.পি) ২০২২-২৫ কী মরিশুবা জেনরেল এসেমব্লি ঙসি চান্দেলদা লৈবা কপাম ভিলেজকী বি.এ.পি. এসেমব্লি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মোয়োন নাগা য়ুনিয়নগী মখাদা লৈবা মোয়োন ভিলেজশিংগী চীফশিং অমদি মোয়োন ৱিমেন ওর্গনাইজেসন লোয়ননা মোয়োন নাগা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী মীহুৎশিং অমদি এসেমব্লি মেম্বরশিংনা শরুক য়াখি।

**তমেংলোং(এল)ঃ** নেসনেল হায়ৱে ১৩৭ তমেংলোং মহুর রোডনা শোকহল্লবা এফেক্টেদ লেন্দ এন্দ ওন্নরস কমিতি (এ.এল.পি.ও.সি) না ভিজিলেন্স কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াদা লমগী ক্ষেতিপুরোন পীদবগীদমক ৱাকৎখ্রে।

কমিতি অসিগী চেয়ারমেননা সহি তৌদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়-লম খোপচিনবগী মতাংদা হায়ৱে বিল ১৯৫৭ গী চৎন-কাংলোন ঙাকা চৎপা অমসুং থবক শুবা হৌদ্রিঙৈদা মরী লৈনবা ওথোরিতিশিংনা নোটিফিকেসন থোক্তবগীদমক কম্মিসনদা ৱাকৎখিবনি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি মীসন মৌসম হৌদোকখ্রে।

ইন্দিয়ান মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট (আই.এম.দি) লিংখৎখিবগী ১৫০ শুবা কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা ন্যু দিল্লিগী ভারত মন্দপদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা মীসন মৌসম হৌদোকখিবনি। থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-মীসন মৌসম অসি ভারতপু ৱাৎত-পাদবা অমসুং তুংগীদমক শেম শাদুনা লৈবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা ৱারেপ অদুগী চপ চাবা খুদমনি।

আই.এম.দিগী চহি ১৫০ গী লন্বী পরিং অদুবু থাগৎলদুনা লৈবাক অসিদা সাইন্স এন্দ টেকোলোজিগী লমদা চাউখৎলকপগী পন্দুপ অমনি হায়না শ্রী মোদিনা ফোংদোকখি। মহাকা হায়-আই.এম.দিনা লৈবাক অসিগী মীওই কোতি

কয়াসু সেভা তৌবতা নত্তনা ভারতনা বৈগ্যানিক্কী লমদা চাউখৎলকপগী খুদম অমসুনি। মহাকা হায়-আরলি ৱার্নিং ফোর ওল থৌরাংনা লৈবাক অসিগী অপুনবা মীশিংগী চাদা ৯০ কোনশিনবা ঙমলে।

থৌরমদুদা প্রধান মন্ত্রিনা আই.এম.দিগী চহি ১৫০ শুবা কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা কোমেমোরেটিব কোইন পুথোকখি অমসুং আই.এম.দি. ২০৪৭ সু পুথোকখি।

**চরচাঃ** কুমশি চহিগী পরিক্ষা পে চরচাগী ওইনা ওজা, মহৈরোই অমসুং মমা-মপা কোতি অহুম লাখ ২৫ রোমনা রেজিস্তার তৌরক্লে।

কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রালয়না হায়-পরিক্ষা পে চরচাদা শরুক য়াবা মশিং কুমশি চহি অসিনা খ্বাইদগী য়াম্লে। রেজিষ্ট্রেসন তৌরকপশিংগী মনুংদা মপান লৈবাক্কী মহৈরোইশিং য়াওরি।

মমাং চহিগী দিসেম্বর ১৪ দগী রেজিষ্ট্রেসন তৌবা হৌখিবা অদু ঙসি লোয়শিল্লগনি। য়াওনিংবা মহৈরোইশিংনা ঙসিগী মতম অসি লোয়দ্রিঙৈদা মাই গোভ দোট ইনদা রেজিস্তার তৌবা য়াগনি।

**--হৌজিক শান্নবগী পাউ, ৱাইখোম চিত্রাধানিদগী--**

**ক্রিকেট(এল)ঃ** ২১ শুবা মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি লংথাবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ঙ ফিজিক্স য়ুনিয়ন-ললাম্বুংনা ৱাই.ডব্লিয়ু.সি. লংথাবালবু রন-১৪ দা থোইখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ৪৪ শুবা সি.এস.দি.এস.এ. স্পোর্টস মিটকী ঙসি চকপিকারোং প্লে গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা থুংচেং এফ.সিনা চকপিকারোং-ৱাই.সিবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** থৌনাওজম গ্রাউন্দদা চখরিবা অনিশুবা ইমা পান্থোইবী ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসিগী মেটচতা-অরম্বাই তেঙ্গোল নাইন (বি) না ফিয়ারলেস বোই থৌনাওজমবু পাঞ্জল ৭-০ দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা ই.পি.ৰাই.সি. এলাং খাংপোকপীনবা এল.এম.এল.সি.সি. লাংমৈদোংবু পাঞ্জল ৪-৩ থোইখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** করনেল ক্ষেত্রিময়ুম অরুনকুমার মেমোরিএল ফোরদ ইন্টর ক্লব ফুদসাল টুর্নামেন্ট থা অসিগী ১৯ দগী হৌরগনি। অম্ফানা শিন্দুনা কে.আই.ৰাই.সি. আর্টিফিসিএল তর্ব গ্রাউন্দ-ক্ষেত্রি অৰাং লৈকাইদা পাঙথোক্কদবা টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ১৩ না শরুক য়াগনি।